**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 26-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদমগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবা অমদি মহৌশাগী ফজবনা লৈবাক অসিগী মীয়ামগী পুকিং চিংশিল্লি।

২) উপ মুখ্য মন্ত্রি- লোশি দিখোনা হায়রি- মনিপুরদা চাউখৎপা পুরক্কে হায়রবদি মীয়ামনা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

৩) এন.সি.বিনা অসাম রাইফলস অমসং মণিপুর পুলিসকা খুৎশমরগা চুরাচান্দপুরদগী লুপা কোতি ১১ রোমগী হিরোইন ফারে।

৪) মেট বিভাগনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদমদা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা নোং কন্না চুগনি। অৱাং অমসুং ময়াই থংবা ভারত্তা শাবা চাং হেনগৎকনি।

অমসুং

৫) নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্বগী মতম লোইগদবা নোংমা খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজনীতি দলশিংগী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা ঙমজবী থাদুনা ভোৎ খোন্লি।

------

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদমগী থোইদোক হেন্দোকপা হৈ শিংবা অমদি মহৌশাগী ফজবনা লৈবাক অসিগী

মীয়ামগী পুকিং চিংশিল্লি। অকাশবানিগী থোঙদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী ১৩৩ শুবা মনকি বাট থৌরমদা শ্রী মোদিনা ৱাগী পোৎলমশিং শাবদা অৱাং নোংপোক লমদমনা মায় পাকপা অদু শিংথারদুনা হায়- মতম অমদা পোৎলুম অমনি হায়না খন্নরম্বা ৱা অসিনা হৌজিক্তি থবক ফংনবা, লল্লোন ঈতিক অমদি ইনোভেসনগী অনৌবা ইনোৎ অমা পীরে। হৌজিক্তি অৱাং নোংপোক লমদম পুম্বদা ৱাগী পোৎলমশিং নিংথিনা শারে হায়রদুনা মহাকা অপেনবসু ফোংদোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- ৱাশিং পুথোক পুশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরিবা অদু য়েংলগা ৱাগা মরী লৈনবা করবারশিংদগী মীয়ামা থপতোকবা হৌরকখি। মহাক্কী সরকারনা ইং ২০১৭ তা ৱা অসি উগী কাংলুপ্তুগী লৌথোক্তুনা আইন শেমখি। শ্রী মোদিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা হায়- ঙসিদি অৱাং নোংপোক ভারত্তা ৱাগা মরী লৈনবা লমশিং মরাং কায়রক্লি।  প্রধান মন্ত্রিনা মীয়ামদা অৱাং নোংপোক লমদমদগী ৱাগী পোথোকশিং লৈননবা আপীল তৌরদুনা হায়- মসিনা ৱাগী পোথোকশিংদগী শেন্থোক লন্বী ওইনবা হোৎনরিবশিংদা পুকিং থৌগৎকনি।

তামিলনাদুগী কালপাকমদা ফাষ্ট ব্রিদর রিএক্তর শেমগৎপগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা চাউথোকচবা ঙম্বগীদমকসু শ্রী মোদিনা লৈবাক অসিগী ন্যুক্লিয়ারগী বৈগ্যানিকশিংবু থাগৎপসু ফোংদোকখি। লৈবাক অসিগী মচাক মথুমতনা শাজবা ন্যুক্লিয়ার রিএক্তর অসিনা ইনর্জি পুথোকপদা নত্তনা তুংগী ওইনসু অনৌবা ফ্যুএল পুথোক্লে হায়খি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতকী বৈগ্যানিকশিংনা সিভিল ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামশিং মায় পাকা পায়খৎতুনা লৈবাক অসি শেমগৎপদসু চাউনা থৌদাং লৌরি।

ৱিন্দ ইনর্জিগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অসিনা হৌজিক নুংশিৎতগী লৌবা ইনর্জি গিগা ৱাট ৫৬ কী মথক্তা পুথোকপা ঙমলে। ৱিন্দ ইনর্জি খ্বাইদগী য়ামা পুথোকপদা মালেমগী ওইনা মরিশুবা মফম কনদুনা লম অসিদা ভারত মাঙলোমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লি হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

ঙসিগী প্রধান মন্ত্রিগী মনকি বাটতা হৌজিক চত্থরিবা মীকোক থীবগী কেম্পেন অসিগী মতাংদসু পনখি। মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা থৌরাং অমা ওইরিবা কেম্পেন অসিদা ভারতমচা খুদিংমকা থৱায় য়াওশিন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা

হায়রি। মহাকা হায়- ২০২৭ কী মীকোক থীবা অসি দিজিতেল ওইনা চখ্থগনি অমসুং রেকোর্দ খুদিংমক হকথেংননা দিজিতেল ফোমদা শেমগনি। মীপুম খুদিংমকা মসিদা য়াওশিন্দুনা থৌরাং অসি মায় পাকহন্নবসু প্রধান মন্ত্রিনা হায়রি।

সিএম (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- শান্তি অমদি অমত্তা ওইবা, চাউখৎপা মনিপুর অমা ওইহন্নবা সরকারনা চোকথবা লৈতনা হোৎনরি।

রাজ্য অসিদা শান্তি অমদি নুংশি চান্নবা ফিভম লাকহনবীনবগীদমক মোইরাংগী ইবুধৌ থাংজিং খুরুম্বগী সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবগা লোয়ননা পুকচেল শেংনা সেবা তৌবা হায়বসি মহাক্কী সরকারগী চপ য়ুংবা ফিরেপনি।

জল্লি (এল) ঃ উপ মুখ্য মন্ত্রি- লোশি দিখোনা হায়রি- মনিপুরদা চাউখৎপা পুরক্কে হায়রবদি মীয়ামনা শান্তি হনজিলহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে।

ইস্ফালগী রগাইলোংদা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা রগাইলোং য়ুথ ক্লবকী প্লাতিনম জল্লি হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী দিখোনা হায়- রাজ্য অসিদা য়ানিংদবা ফোংদোকপগী খোঙচৎ কয়া চৎপগা লোয়ননা চরাংনবা ফিভম অমা মায়োকরি। মহাকা হায়- য়ানিংদবা ফোংদোকপগী খোঙজংশিং অসি মীয়ামনা কা হেনবা থবক চখ্থবীগনু। শান্তি পুরকবগী মাইকৈদা মীয়ামসু হেন্না মতেং পাংবীদুনা তংদু লৈতাবা রাজ্য অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নশি হায়না মহাকা আপীল তৌখি।

থৌরম অদুদা এম.এল.এ. থাংজম অরুনকুমার, হান্নগী এম.এল.এ. ওক্রম হেনরিনচিংবা শরুক য়ারি ।

এনসিবি (এল) ঃ নার্কোটিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না অসাম রাইফলস অমসুং মণিপুর পুলিসকা খুৎশমরগা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ গী লোন্নবা অহিংদা চুরাচান্দপুরদগী লুপা কোতি ১১ রোমগী হিরোইন ফারে।

এন.সি.বিগী পাউ মতুংইন্না হিরোইনশিং অদু সাপোন কেপ ৪৭৪ দা হাপ্তুনা মহিন্দ্র কেম্পর বোলেরোগী শেমদোক্লবা মফম অমদা হাপ্তুনা পুরম্বনি। ড্রগশিং অসিগা লোয়ননা চুরাচান্দপুরদগী মীওই অহুমসু ফারে। মখোয়না কিলোগ্রাম ৫ গ্রাম ৪০০ রোম লুম্বা হিরোইন অদু ম্যান্মারদগী পুরকপনি হায়রি। লমদম অসিদা ড্রক ত্রাফিক্কিংগী নেটৱার্ক থুগাইনবা অমদি মসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং থিগৎনবা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথরি। এন.সি.বিনা হায়-ঙমখৈ লান্না ড্রগ পুথোক পুশিন তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা এন.সি.বিনা ওপরেসন হেন্না কনশিল্লে। মীয়ামা নার্কোটিক্সকা মরী লৈনবা পাউশিং মানস হেল্প লাইন নম্বর-**1933** দা পীবীরকবা হায়রি। পাউ পীরকপশিংগী মরী মখোঙ হায়দোক্লোই।

শ্যাম (এল) ঃ  এম.এল.এ- করাম শ্যামনা হায়রি- কাংলুপগী ইরাং অসি থুনা লোইশিনবা ঙমদে হায়দুনা ঐখোয় মশেল মরক্তা চরাং খোইরাংনদুনা কাং খোং চাইবা লমদম অমা ওইরগা অসুম লৈগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং অমা থোরক্লি।

শিংজমৈ মখা খোংনাং ফৈদেকপীদা লৈবা মহৈরোই অমগী যুমদা ঙসি লেট করাম বিরমনি মেমোরিয়েল ত্রষ্টকী মাইকৈদগী শেলগী তেংবাং পীবা চৎপদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী শ্যামনা হায়-ওইরিক্লিবা ফিভম অসি মুন্না খন্নবা মতম ওইরে। ঐখোয় মশেল পুনশিন্নদুনা ৱাখল্লোন ফাওদোকদুনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনমিন্নবনা চুমগনি। ঐখোয় মশেল খৎনা চৈনদুনা য়েংথিনদুনা অসুম লৈবনা খুনাই অসি লৈখা তারকপা য়াই।

পাউনা (এল)ঃ  পাউনা ব্রজাবাসিগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবগী ১৩৫ শুবা নীংশিং নুমিৎ পালন থৌরম ঙসি অরাপতি মনিং লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী মোংফমদা পাঙথোকখ্রে। ক্লব, মৈরা পায়বী, অপুনবা মণিপুর হুইয়েন লাল্লোং লুপ অমদি পাউনা মোংফম প্রোটেক্সন এন্দ সেলেব্রেসন কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা অথৌবা অসিগী মফমদা মীয়ামা হৈকৎ লৈকৎ তমখি।

ভেক্সিনেসন (এল) ঃ  চহি ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নুপীমচাশিংবু ভেক্সিন কাপথোকপা নেসনেল ঐচ.পি.ভি ভেক্সিনেসন কেম্পেনগী শরুক অমা ওইনা হয়েংদগী ইম্ফালগী রিমসতা নুপীমচাশিংদা হ্যুমেন পেপিলোমা ভাইরস (ঐচ.পি.ভি)গী ভেক্সিনেসন লেমা কাপ্পা হৌরগনি। হৌদোকপগী থৌরম হয়েং অয়ুক পুং ৯ দা রিমস হোস্পিতালগী পেদিয়াত্রিক ইম্মুনাইজেসন ও.পি.দিদা পাঙথোক্কনি।

থৌবাল (এল) ঃ  য়ুথ ওফ লমদিংনা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী লমদিং কৈথেলদা ত্রোংলাউবী মীহৎ, মীচম অহুম হাৎখিবা অমদি তাঞ্জুল অনি হাৎখিবা থৌদোক য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চখখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা মৈরা পায়বীশিং অমদি য়ুথ লমদিংগী থৌমীশিং শরুক য়াখি।

কেরিয়রর (এল) ঃ  ওর্নরিং এক্সেলেন্স, ইন্সপিয়ারিং জেনেরেসন্স হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা কেরিয়র কাউন্সেল্লিংগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক তুলিহল তৌপোকপীদা লৈবা সহিল ফাউন্দেসনগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। ফাউন্দেসন অসিনা শিনবা থৌরম অদুদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

ৱেদর ঃ  মেট বিভাগনা অৱাং থংবা অমসুংময়াই থংবা ভারত্তা লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা শাবা হেনগৎকনি। অদুগা অৱাং নোংপোক লমদমদা নোং কন্না চুগনি।

মেট বিভাগনা হায়- অৱাং নোংচুপ অমসুং ময়াই থংবা ভারতকী শরুকশিংদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা শাবগী চাং হেনগৎলগনি। খা ভারতকী মফম খরদনা নুংশিৎতা ঈশিং য়াওবগী চাং হেনগৎপগা লোয়ননা শাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্কনি। ময়াই থংবা ভারত্তা নুমিদাংগী মতমদা শাবগী হেনগৎলক্কনি। মেট বিভাগনা হায়- অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা হয়েং ফাওবা অকনবা নোং চুগনি। অদুগা নোংপোক থংবা ভারতকী শরুক খরদনা অখাক অরাউগা লোয়ননা

লাক্লিবা চয়োল অমা অসিদা নোং চুগনি। অমরোমদা ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরগী পাউ মতুংইন্না লাক্লিবা নুমিৎ মরিনি অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংমক্তা অখাক অরাউ য়াওনা পুংদা কিলোমিতর ৩০ দগী ৪০ ফাওবা চাংদা নুংশিৎ শিৎকনি। জিলা খরদনা নোং কন্না চুগনি হায়রি।

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গল বিধান সভাগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোৎ খোন্দগী মতম লোইগদবা নোংম খক্তা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা রাজ্য অদুদা ভোৎ খোন্দগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী ষ্টার কেম্পেন্নরশিংনা রেল্লি, রোড সো অমদি মীয়ামগী মীতিন পাঙথোক্তুনা ভোতরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ১৪২ দা লাক্লিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ভোৎ থাদনগনি। বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হুগ্লি য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা ৱা ঙাংখি। শ্রী মোদিনা হায়- রাজ্য অদুদা হৌরক্লিবা নহা শান্নরোইশিংগী য়েংলগা অনৌবা স্পোর্টসকী ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎনবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- বনগাউদা পাঙথোকখিবা অচৌবা রেল্লি অদুনা তাকপদি হন্দক্কী মীখল অসিদা ত্রিনামুল কংগ্রেস শোইদনমক্কী মায়থিরগনি। নোংচুপ বেঙ্গলদা শেঞ্জা থুমজা, লৈঙাক সাসন নিংথিনা লৈতবা অমদি শকখিবা ৱাশক কয়া থুংহনদবা অসিনা মীয়ামদা খোইশাওনবা পোকহল্লে। প্রধান মন্ত্রি নোর্থ ট্বেন্তি ফোর পরগনাজদসু ৱা ঙাংখি।

নাদিয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী মীতিং অমদা ৱা ঙাংবদা বি.জে.পি লুচিংবা অমসুং কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়- মে মরিদা বি.জে.পিনা রাজ্য অদুদা সরকার শেমগনি। মে থাগী মতুংদা বি.জে.পি সরকারনা থা খুদিংগী বেঙ্গলগী নুপীশিংগী এক্কাউন্টতা থা খুদিংগী লুপা লিশিং ৩-৩ হাপচিল্লগনি। মসিগী মথক্তা মীরোনবী নুপীশিং, অঙাংশিংগী চেকশিন থৌরাং ওইনা লুপা লিশিং ২১-২১ পীরগনি।

ত্রিনামুল কংগ্রেস লুচিংবী অমসুং মুখ্য মন্ত্রি মমতা বেনর্জিনা মহাক্কী কেন্দ্র ভবানিপুর য়াওনা অতৈ মফম কয়াদা ভোৎ খোমখি। সি.পি.আই.এমগী ষ্টেট সেক্রেতরি মোহম্মদ সালিম অমদি দলগী মকোক থোংবা লুচিংবী ব্রিন্দা করট মফম কয়াদা পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লিশিংদা শরুক য়াখি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী সিক্কিম খোঙচৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মহাক া লৈবাকপোকপা নুমিৎতা গেংতোক্তা লৈবা ওর্কিদরিয়মদা চৎকনি। মফম অসি ইকোলোজিকেল অমসুং ফ্লোরেল হেরিতেজ ওইবতা নত্তনা মালেমগী মমিং চৎলবা ওর্কিদ এক্সপিরিয়েন্স সেন্তর অমসুনি। শ্রী মোদিনা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য অমা ওইরকপগী চহি ৫০ শুবা কুমওন থৌরম লোইশিনবদা শরুক য়াগনি। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ৪ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট হৌদোক্কনি অমসুং যাত্রা হুনগনি।

শ্রী মোদি লৈবাকপোকপা নুমিৎতা উত্তর প্রদেশকী নুমিৎ নিনি খোঙচৎতা রাজ্য অদুদা থুংগনি। মহাকা বরানাসিদা পাঙথোকপা মহিলা সমেলনদা শরুক য়াগনি অমসুং লুপা কোতি লিশিং ৬ হেনবগী চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং শঙ্গাগনি অমসুং যাত্রা হুনগনি। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা অমৃট ভারত এক্সপ্রেস রেলগাড়ি অনি লমথাগনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি হারদোইদা গঙ্গা এক্সপ্রেসৱে শঙ্গাগনি। কিলোমিতর ৫৯৪ শাংবা লেন ৬ লৈবা লম্বী অসি লুপা কোতি লিশিং ৩৬ চংনা পায়খৎপনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইয়োনরস ক্লবনা শিনবা ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কে.এফ.এনা আই.এম.এ (বি)বু পাঞ্জল ৫-০ দা থোইখি।

এআর ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা চান্দেল জিলাদা ইন্তির ভিলেজ স্পোর্টস মিট ২০২৬ পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ নিনি চথখিবা স্পোর্টস মিট অদুদা জিলা অদুগী তোঙান তোঙানবা খুলশিংদগী লাকপা নহা কয়ানা শরুক য়াখি। স্পোর্টস মিট অদুদা নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল অমসুং ফুটবোল মেটচশিং শান্নখি।

ক্রিকেট ঃ ত্রিপুরা ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা আগরতালাগী পি.টি.এ গ্রাউন্দদা চথরিবা চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী অনিসুবা নোর্থ ইষ্ট লিটল মাষ্টর ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবদা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ দ্রো চৎখ্রে।

অমরোমদা চহি ১৪ মখাগী নুপামচাগী অমসুং চহি ১৫ মখাগী নুপীমচা মেটচশিং হয়েংদগী হৌগদবা অদু গ্রাউন্দগী ফিভম ফত্তবদগী মতম কক্তুনা য়ৈথোক্লে হায়না মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

ক্রিকেট ঃ আই.পি.এল ক্রিকেটকী ঙসি চেন্নাইগী এম.এ. চিদম্বরম ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা গুজরাত টাইতান্সনা চেন্নাই সুপর কিংসপু ৱিকেট ৮ দা থোইখি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা চেন্নাই সুপর কিংসনা অপিবা ওভর ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১৫৮ লৌখি। পান্দম অসি গুজরাত টাইতান্সনা ওভর ১৬ বোল ৪ দা ৱিকেট ২ তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

অনিসুবা মেটচতা হৌজিক লখনৌগী অতল বিহারি ভাজপায় একানা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা লখনৌ সুপরস জাইন্টসকা কোলকাতা নাইট রাইদরসকা শান্নরি।

------